


# সনালৈবাক স্পোর্টস





*থা অসিগী ৬ তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা সেঞ্চুরি লৌদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখ্রবা রোহিট শর্ম্মা*

*দোপ্পিং কেসকা মরী লৈননা ইটালি দোপ্পিং এজেন্সিনা চহী ৪ অথিংবা থমখ্রবা চহী অনী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা লৈবাক অসিগী স্বিম্মর ফিলিপ্পো মেগনিনি*

## কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক শরুক য়াননবা ক্বালিফায়িংগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ঙসি নেপালগা শান্নরগনি



*য়াঙ্গোন, নবেম্বর ০৭ঃ*

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইননবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ২০২০ এএফসি ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা হয়েং নেপালগা শান্নরগনি।

ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ এএফসি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নেপালগা শান্নগদৌরিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিনা মায় পাক্কুনা পোইন্ট অহুম ফংনবা হোৎনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা ইদিসন ৪ দা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না হৌবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসি অমুক্তফাওবা লাম্হোকপা ঙমদনা লাক্লি।


হন্দক্তা মুম্বাইদা চয়োল অহুম চুপ্না পাঙথোকখিবা প্রিপেরেটরি কেম্প অদু খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা অমা ওইখি। কেম্প অদুদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা পীখিবা ফজবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংলুগদি হন্দক্কী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদদি অহৌবা ষ্টেজ অসি লাম্হোকপা ঙমগনি হায়না টিম অসিগী কোচ মেমোল রোক্কিনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসিগী কোচ মেমোল রোক্কিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হয়েং নেপালগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি অরায়বা অমা ওইদ্রি। মরম অদুনা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা ফজবা মোমেন্টম শাগৎপা মথৌ তারি হায়খি।

২০২০ এএফসি ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা থা অসিগী ১১ দা শান্নগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচ অদুদা নবেম্বর ১৩ দা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা ম্যান্মারগা শান্নগনি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অসি নহা ওইরিবী ঙাক্তনি। মরম অদুনা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা তাকপী তম্বীখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা শান্নবা ঙম্লবদি শান্নগদৌরিবা মেটচ অহুমক শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু টিম অসিগী কোচ মেমোল রোক্কিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী নুপা সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থ ফুঝৌ চাইনা ওপনগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী দবলসতা রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগসু ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রি–ক্বার্টর য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ

*ফুঝৌ, নবেম্বর ০৭ঃ*

চাইনাগী সিটি ফুঝৌদা ঙরাং দগী শান্নবা হৌখিবা য়ুএস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থ প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। লৈবাক অসিগী নুপাগী দবলস পেয়র এন রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ফ্রান্সকী এল কোরভিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী সট্টলর স্রিকান্থনা ফ্রান্সকী এল কোরভিবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমদুনা ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা ফ্রান্সকী শান্নরোই কোরভিগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থনা লোইশিল্লকপদা ফজবা হেনখিবদগী ফ্রান্সকী এল কোরভিবু ২১–১৬ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী টি সুগিয়ার্টোগা শান্নরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী টি সুগিয়ার্টোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী ৱোংবু ষ্ট্রেট গেমদা য়াম্না লায়না ২১–৮, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐস এস প্রনোইনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী জেনাথন কৃষ্টিগী মখুত্তা ১১–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন কৃষ্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মালেসিয়াগী চোংবু ২১–১১, ২১–১৪ দা থোইরম্বা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী এএস গিন্টিংগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুকিনা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ঝাওবু ষ্ট্রেট গেম ২১–৮, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কে সকাইগা শান্নরগনি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপেগী চৌ টিয়েন চেননা সাউথ কোরিয়াগী লিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৬, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী লিয়ুগা শান্নরগনি।

ফুঝৌ চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী পিটরসন অমসুং কোল্ডিংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২৩–২১, ২৪–২২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী মিক্স টিম্না ফোরো আইলেন্দসপু ৫–০ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখ্রে

*মারখাম (কানাদা), নবেম্বর ০৭ঃ*



কানাদাগী সিটি মারখামদা চংথরিবা বিদব্লিএফ ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী গ্রুপ ‘ই’ গী অহুমশুবা টাইদা ইন্দিয়ানা ফেরো আইলেন্দসপু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনহনখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মঞ্জিট খ্বাইরাপম অমসুং দিঙ্কু সিংহনা ফোরো আইলেন্দসকী পেয়র জোনাস জুরহুস অমসুং এম জে কোবসেনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১১, ২১–৭ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী গায়ত্রি গোপিচান্দনা ফেরো আইলেন্দসকী লেনা মারিয়া জোনসেনবু ২১–৮, ২১–৭ দা থোইবা ঙমখিদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপা সট্টলর কিরন জোর্জনা ফোরো আইলেন্দসকী অরান্টপু ২১–৬, ২১–৭ দা থোইবা ঙমখি।

টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী পেয়র আদিতি ভট্ট অমসুং টানিসা ক্রাষ্টোনা ফেরো আইলেন্দসকী পেয়র লেনা মারিয়া জোনসেনবু ২১–৯, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অদু ইন্দিয়ানা ফেরো আইলেন্দসপু মেটচ ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী পেয়র আস্বিনি ভট্ট অমসুং সাইপ্রাটিক কৃষ্ণপ্রসাদনা ফেরো আইলেন্দসকী পেয়র জোনাস জুরহস অমসুং সিসাল থোমসেনবু ২১–৭, ২১–৭ দা থোইদুনা টাই অদু য়াম্না লায়না ৫–০ দা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স জুনিয়র বেদমিন্টন টিম অসিনা হয়েং অলজেরিয়াগা শান্নগনি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙম্লবদি ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লগনি।

## বার্সেলোনা ইন্টরগা ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং হোটস্পর মায় পাকখ্রে



বার্সেলোনা অমসুং ইন্টরনা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমা

*রোম। মাদ্রিদ, নবেম্বর ০৭ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা অমা ওইরিবা য়ুইএফএ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ (বি) গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা ইটালিগী ক্লব ইন্টরগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর মখোয়–মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

ঙসি ইন্টরনা য়ুম্বু ওইদুনা গুইসেপ্পি মিয়াঝা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাগা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা অকনবা লম্বা মায়োক্নখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মালকোমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা য়ুম্বু টিম ওইখিবা ইন্টরবু হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্নবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাওরো ইকার্দিনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরগা দ্রো চৎখ্রবসু স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা জর্মনিগী চেম্পিয়ন ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৩০ হেন্না চঙশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সাওল গিগুৱেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না বোরুশিয়া দোর্টমুন্দবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরনা নেদরলেন্দসকী ক্লব পিএসভি এন্ধোভেনবু ২–১ দা থোইখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা পিএসভিগী শান্নরোই ল্যুক দি জোংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপগী ৭৮ অমসুং ৮৯শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই হেরি কেননা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

## গুৱাঝৌনা খুদুম চল্লম্বা চাইনিজ সুপর লীগ সাংহাইনা মকোক ওইদুনা টাইটল লৌখ্রে



*বৈজিং, নবেম্বর ০৭ঃ*

চাইনাগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট চাইনিজ সুপর লীগতা গুৱাংঝৌনা খুদুম চল্লম্বা অদু সাংহাইনা হন্দক্কী সিজন অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

চাইনিজ সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা সাংহাই এসআইপিজি এফসিনা বৈজিং রেনহেবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পুন্না পোইন্ট ৬৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনটতা সাংহাই এসআইপিজি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ওদিল অখমেদোভনা মেটচকী অহানবাপাঞ্জল চন্দুনা বৈজিং রেনহেবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচ ৪৭শুবা মিনটতা সাংহাই এসআইপিজি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা লৈ ৱুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

বৈজিং রেনহেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা সাংহাই এসআইপিজি এফসিগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা বৈজিং রেনহেগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মাখেটে দিওপনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা ১–২ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৫রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু সাংহাই এসআইপিজি এফসিনা বৈজিং রেনহেবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## রামকুমার ব্রাটিস্লাভাগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ব্রাটিস্লাভা, নবেম্বর ০৭ঃ*

স্লোভাকিয়াগী সিটি ব্রাটিস্লাভাদা চংথরিবা য়ুরো ১০৬,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ব্রাটিস্লাভা মেন্স চেলেঞ্জর্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা স্পেনগী সর্জিও গুটিয়েরেজবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পুরব রাজা অমসুং ক্রোএসিয়াগী এন্টোনিও সানসিক মখোয়গী প্রি–ক্বার্টর মেটচ মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ুএসএগী সিটি নোজভিলিদা চংথরিবা য়ুএস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর্স মেন্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং মেক্সিকোগী মিগুয়েল এঞ্জেলনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মেক্সিকোগী হান্স হেচ ভরদুগো অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী রুৱান রোলোফসপু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসতা য়ুএসএগী টেলর ফ্রিটজ অমসুং ফ্রান্সেস টিয়াফো মায় পাকখ্রে

*মিলান, নবেম্বর ০৭ঃ*



ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মিলানদা চংথরিবা নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলসতা য়ুএসএগী টেলর ফ্রিটজ অমসুং ফ্রান্সেস টিয়াফো মায় পাকখ্রে।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী মেটচ অমদা য়ুএসএগী টেলর ফ্রিটজনা ইটালিগী লিয়াম কারুনাবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট ইটালিগী শান্নরোই লিয়াম কারুনানা য়ুএসএগী টেলরবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ৪–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা য়ুএসএগী টেলরনা অনীশুবা সেটতগী হৌরগা য়াম্না কন্না শান্নরক্কুনা সেট অহুম থংননা ৪–১, ৪–৩(১১–৯), ৪–২ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

গ্রুপ ‘বি’ গী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ইটালিগী লিয়াম কারুনাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৪–১, ৪–১, ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

নেক্স জেনেরেসন এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী মেটচ অমদা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা পোলেন্দগী হুবর্ট হুরকেজবু সেট ৩–১ দা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট য়ুএসএগী টিয়াফোনা ৪–১, ৪–২ দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা সেটতা পোলেন্দগী হুরকেজনা ৪–২ দা থোইদুনা সেট ১–২ দা শোত্থখি। মরিশুবা সেটতা শান্নরোই অনী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং টিয়াফোনা ৪–৩(১২–১০) দা থোইখিবদগী মেটচ অদু মায় পাকখি।